# সেন্ত্রেল ফোর্স, আই পি এস, আই এ এস, এম সী এস, ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়র, ওজা পেন্সনরশিং মাঙ থাদুনা ইমা লৈবাক কনবীয়ু



— মুতুম শান্তি —

(শোধ্বরবশিংদা কখোকচরি)

পোক্লফম ইমাগী অশেংবা মচা লাইরিক-লাইশু মতিক চানা হৈরবা খ্বাই পূম্নমকপু অইবীনা কোক নোন্না খুরুমজবগা লোয়ননা ঙসিগী আর্টিকলসি মীতৈ পোকপী ইমাদা কৎচরি।

লমদমসিগী ওইরিক্লবা শক্তমসিদা তুংগী মীরোলগীদমক ঐখোয় অপূনবগী থৌনা লৌশিং পুথোকমিন্নবা মথৌ তারক্লি। লৈঙাক লৈ হায়বগী ৱাহন্থোক লৈত্রবা লমদমনি। লৈঙাক সাসন করম্না তৌগনি খঙদবা মীওইশিংবু লুচিংবা ওইহল্লুবা মীয়ামগী চাউরবা মরালসু ওইরি। লমদমসিদদি মীখলবু কুম্ভে ওন্থোক্লি। মশানা মশাবু মতিক চায়, চাদে খঙদনা মীরেপ ওইনীংবা মীওই মশীং য়াম্মী। মীয়াম্নসু মীরেপ ওইগে চোংথোরক্লিবা মীওইশিং করম্বা মীওইনো কুপ্না থিজিন্দে। পীকখ্রবা লমদমনি। কনানা কনানো হংনবদা ইরায় লায়না খঙবা ঙম্মী। মপা মিনিষ্টর ওইরম্মী, মপা হেক শিবগা মচা অমা মীরেপ ওইরি। লৈবাক্কী থোক্লিবা ঈরাং মরক্তা খুদোংচাবা লৌদুনা মীয়াম্বু পঙথহন্দুনা মীহুৎ ওইরি। ঙাঙবা হৈরগা ফম্মেন ফম্মী হায়বদুনি। মীয়ামসি ৱাখল খন্থদে।

কোংগ্রেসনা চহী ১৫ পানবদা মীতৈ মচা লিশীং-লিশীং হাৎতোকপীখি। কুমজা ২০০৮দা মীয়াম খঙহন্দনা হৌরকফম খঙদবা কুকি ফূরুপ্তা 'সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন' (সূ) ইরায় লায়না পীথোক্লম্মী। মীয়াম্না ইলেক্সনবু হরাও কুম্ভে পাঙথোকপগুম লাংখিবা কয়ানা অৱাবা ওইরে ঙসিদি। লাইরিক লাইশু মতিক চাদবা, কখোকপগী পুকচেল চেন্দবা, তুংগী ৱাখল খনবা ঙমদবা মীওইদা লুচিংবা ওইহনখিবনা লৈবাক মীয়াম করি ওইরে। মখোয়দা লুচিংবা অমা ওইবগী মগুণ করি য়াওবগে? কূপ্না নৈনসি ইরৈবাক্কীদমক। ইমা লৈবাক্লা মচেৎ কয়া থোক্লা কাইখ্রবদা ঐখোয় হিংলুবগী করিবু কান্নরিবগে?

কুমজা ২০১৭তগী বি জে পিনা অমুক লৈঙাক পায়রে। লুচিংবসি মতিক চাদ্রে, মী হাৎপা, য়ূম মৈ থাবা, 'লো' না করি দন্দি পীফম থোকই হায়বসি খঙদ্রবা হায়বদি লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙমদ্রে। লৈবাকসি করি ওইরবগে? কুমজা ২০২২গী সেপ্টেম্বর ২৩, ইরাই নুমিত্তা মণিপুরগী ত্রাইব খুদিংমক য়েলহৌমীনি হায়না গেজেট নোটিফিকেশন থোক্লমখি। গেজেট অসিনা মরম ওইদুনা কনাবু মীতোপনি হায়গদৌরিবনো? লাক্লিবা কুমজা ২০২৫দগী মীতোপ খন্দোকপা হৌরগনি হায়না চমজরবা মীয়ামদা মেজিক তৌবিরি। মীয়াম্নসু অফবনি থাজরি। মতম শাংনা লুচিংবা মথং-মথং ওইরকখিবশিং শক্ল-শোন্নবা য়াবা করম্বা য়াওখ্রবগে? গেজেট অসিদা মীতোপ খন্দোকপগী বেজ য়র ১৯৫১ ওইবদু ১৯৬১ ওইরে হায়না ইরি।

গ্রেদ ফোরগী থাক্তা লৈবা মীতৈ মচা লুচিংবা অনীমক্লা লৈবাক ঙাকপা হৈতবদগী লৈখা তানা মাঙহল্লক্লি। মশাগী ভোট কানবগী ৱাখলদা ঙাওরবা, তুংগী ৱাখল খনবীরমদবা, শেঞ্জা-থুমজ াদা লুপ্তুনা লৈবাক ঙাক্লি। মসিননি ঙসি লৈবাক মীয়াম্না ৱারিবসি। মখোয় মশেল মপান্থোংদা মীয়াম মমাঙদা উৎ চাইদুনা মচিন থীদুনা পংঙাঙ ঙাঙনবনি। মীয়াম্না খঙই পার্টি অমখক্তা পুন্দুনা হুরানমিন্নরম্বনি। শেলদা ঙাওরবা মীওই ঙাক্তনি। য়াল্লবা নেশনল পার্টিনা মীচম মীয়াম লোন্না অমদি ফোংনা হাৎতোকপীরি। ঙসি ফাওবা মীওই খরদি নেশনল পার্টিগী অশেংবা ৱারোল খঙদে। মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরদা লৈবা মীতৈ হৌরকমিবু অসুক্কী মতিক থীনা হায়বা ঙম্মী। ঐখোয়গী চীফ মিনিষ্টরদি করিগী হায়দবনো? মিজোরামগীনা মশাগী পার্টি শেমজরগা লৈবাক ঙাকই। মীখা পোন্দে। মণিপুরগীনা 'নেশনল পার্টি' মীহুৎ খল্লগা লুচিংবা ওইহল্লুবনা ঙসি মীয়াম ঐখোয় ৱারিবনি।

পীকখ্রবা লমদমসিদা নেশনল পার্টি ময়াম অমনা য়োমশিনবীদুনা ঐখোয়বু পুময়োৎ য়োৎলিবনি। মীয়াম মীৎ-না শিংবীয়ু। নাক-য়েৎ খঙবীয়ু। অখঙবা মী অমমম ওইনবা হোৎনবীয়ু। লৌশিংনা শামু ফাবনি। পঙলবদি ৱাবনি। হৌখিবগী এসেমব্লি ইলেক্সন মমাঙদা মীরেপশিংগী মশাদা চেন্নবা কেস ময়াম অমা মথং-মনাও নাইনা পাউচেদা ইথোরকখি। কনানসু থৌশাখিদে। মীয়াম্না মরম খঙখিদে। এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি নুংশিবা শাদুনা মীরেপ ওইগে থোরক্লিবা অফাওবশিং অদুনা অরানবা তৌরুবা কয়াদু মীদিয়াদা ফোঙদোরকপনি। মীওই অয়াম্বনা লুপা ৫/৬ পীবা পাউচে অমমম ফাওবা লৈরগা পাগনি, নৈনগনি খঙদবা ঐখোয় মীয়াম্নি। ঐখোয়না তাদবা, উদবা কয়া পাউচেনা তাহল্লি, উহল্লি হায়বগী পূন্সি মহিং ওইদ্রি। মীওই লাখ ৩৫ লৈবদা লাখ অমা ফাওবা হায়বদি নুমিৎ খুদিংগী ফোঙলিবা চেফোংশিং মশীং য়াম্না ফোঙদুনা মীয়াম্না চেকশিন্না পাবীরবদি লৈবাক মীয়াম চাওখৎকনি।

লৈবাক্কী ঈ-পাউবু কদায়দা করি থোক্লি হায়বসি নুমিৎ খুদিংগী পাবিরবদি ৱাখল খন্দুনা অফবা মায়কৈদা পুরক্কনি। পাউ পাবা-তাবদি পাথোকখ্রগা লোইরে। চেফোঙ হায়বসিনা ঐগী য়ূমদা লৈগনি। পানীংবা মতমদা পাবা, খঙবা য়াই। মীদিয়া চেনেল খুদিংমক্তগী খ্বাইদগী চেকশিনবদি নুংতিগী ফোঙলিবা চেফোঙ অসিনি, কাউবীগনু মীয়াম্না। ঙসিগী চেফোঙবু পাবা লোইরে হায়দুনা শেগায়দুনা হুন্দোকপীগনু। ইমুংগী মীওইশিংনা নুমিৎ খুদিংগী পাউচে পাবনা, ইমুংগী অঙাংশিংদা লাইরিক-লাইশুগী মঙাল পীরিবনি। লাইশু য়াওদবা মীওইবদি হিংবগী মমি অমত্তা তারোই। ইমুংগী চৎনবী কয়ানা লাইশুগী চাওরবা লন্বী ওইরি। পীক্লিবা অঙাংশিংবু পুংকক চাউরকপদগী মমানা অকুপ্পা থবক তৌবদা য়াওহনবীয়ু। য়ূম্বানবদা অঙ্কগী শরুক য়াম্না য়াওরি কাউবীগনু। অঙ্ক হৈতবা অঙাংগী পূন্সিদি য়ূম্বান হৈতবগী অৱাবা চৈথেং ফংবনি। অঙ্ক হৈতবা হায়বসি উরা য়াওদবা উ পান্বীগা পাঙ্খক ওইগনি। উরা মপূং ফানা য়াওদবা পান্বীদি অকনবা নুংশিৎ লাকপদা লৈমায়দা বোম-বোম তুবা থেংনরি। নুংশাগী মৈশানা লেপকং কংলি।

খজিক থৈদোকচরগা ৱাফম খরদং পঞ্জরবদা, লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন্দা ময়েক শেংনা ইদুনা থন্বা চহী ১০ খুদিংগী মাগী-মাগী লৈবাক্কী মীকোক থিগদবনি। অদুবু শাংলবা মতম কয়াসি ইরমদমসিদি মীকোক থিরমদে। লৈঙাক্কী লৈঙাক্লোই মতিক চাদবা চেকশিন্দবনা মীতোপ মীয়ানচা কয়াগী মকোন শাদুনা ঙসিগী ওইরিবা শক্তম অসি লাক্লিবনি। য়ূম পানবদা মনিংথোঙ, মমাঙথোঙ শবাক ফাক্তুনা থন্বা য়ূম মপু পান্দবগা চপ মান্নখ্রে। মীয়াম্না কোংগ্রেসনা পালহনবা মতমদা মীয়ামগী ইরল-ইথুম হুরানবদা ২০% ৱা ৱা লাউনা ঙাঙনখি। লৈবাক অসি মীয়াম্না কনগদবনি। মীহুৎশিং ফৎত্রগা কনানা ৱাই, মীয়াম্না ৱারিবসিনি। লায়রবা মীয়ামগী কোক্তা অৱাবা খুদিংমক হৈথরক্লি।

মীয়ামগী খোল্লাও এন আর সী, মীতোপ খন্দোকপা লোইরগা মীকোক থিবা থবক পায়খৎহনসি। হায়বদি মীকোক থিবনা হানখ্রবদি তুংদা অকায়বা য়াম্না লাক্কনি। বি জে পিনা গেজেট ফোঙলিবা লমদমসিদা লৈবা 'ত্রাইব' খুদিংমক য়েলহৌমীনি হায়বগী নোটিফিকেশন লৈরিবনি। মীয়াম্না গেজেট অসি লোদা চংশিনমিন্নদুনা ককপা ঙল্লবদি মীতোপ খন্দোকপদা চাউরবা মতেং ওইগনি। গেজেট অসি কুমজা ২০২২দা বি জে পি লৈঙাক্লা হেক থোকপগা কুকিশিংনা আই টি এল এফ লূপ অমা শেন্নকখি। কুকিশিংনা হায়রি মদুদি ঐখোয় মণিপুরগী হৌরকমীনি। ঙসি ঐখোয়না ৱাখল খন্থমিন্নসি। নেসনল পার্টি অনী কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা লৈবাকসি মথক মখা ওন্থোক্লে। মীয়াম পূম্নমক্তা হায়জরি মদুদি ঐখোয় পূম্নমক ঈজৎ লৈনা, চরা নাম্মখক্তা চারবসু মীরেপশিংদগী ভোটকী শেল লৌবীগনু, চাক চাবীগনু, চা থকপীগনু। মীখলসি কুম্ভে ওইরে।

লৈবাক্কী ওইবা খ্বাইদগী মরু ওইবা মীখল অমনি। মীরেপ কয়া থোক্লকসনু পীকখ্রবা লৈবাক্কী কনানা কনানো মীৎকুপ অমদা খঙবা ৱাফম্নি। হন্দক ঈরাং মনুংদা ১৮শুবা লোক সভা ইলেক্সনদা কনানা কনানো থিগৎহৌদবনা ঙসিদি অৱাবা কোকহনবীবা ঙল্লব্রা? অৱাবা তারবা মীয়াম্বু কনবীবা ঙন্বা মীহুৎ ওইগদবনি। ঙসি ফাওবদা মীয়াম্না খনবা মীহুৎশিং লৈবাক মীয়াম্বু নুংশিবীবা থম্মোয় পান্দে। অদুদি মীয়াম ঐখোয় করম্না ইমা লৈবাক কনগনি হায়বসি অরুবা ৱাফম ওইরক্লি। তরাইনা লৌবীগনু লমদমসিগী মপূসি মীচম মীয়াম ঐখোয়নি। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক্লা গেজেট লিশীং-লিশীং থোক্লবসু মীতোপ মীয়ানচাশিংবু য়েলহৌমীনি হায়বদি লৈবাক মীয়াম্নসু য়াদে, আইন্নসু য়াদে।


কুকিশিংদা 'সূ' পীথোক্লম্বা কোংগ্রেসকী লুচিংবা ওইরম্বা অমনা পীথোক্লম্বনি। অসুক লুবা লৈবাক কায়বা য়াবা এগ্রীমেন্ট অসি মীয়াম খঙদনা হেক্তা ইরায় লায়না পীথোকপা লৈবাক মীয়াম্না য়াবা ঙল্লোই। 'সূ' কক্কদবনি। লৈঙাক অসিনা ইন্দিয়াগী মনুং চনবা মণিপুর লৈবাক অমনি হায়বসি খঙগদবনি। পোলিটিক্স করিনো খঙদবা মীরেপ কয়ানা মীয়াম্বু ওন্ন-তৈনবা লন্বীদা পুবীগনু। পোক্লফম লমদমসিদা নেশনল পার্টি পুশিনবীরক্কনু, মীয়াম্বু লাং থাক্কনু। মণিপুরী মীয়ামদি ইচম চমজবনি। ঙসিগী খ্বাইদগী চাউবা মণিপুরগী মীতৈ ফূরুপ মূখৎপা ঙমগদবা নত্তে। মীতোপ, হৌরকফম খঙদবা কুকিনা শক্তি লৈরিবসি ঐখোয় ৱাখল চুংশিন্নবা হোৎনসি। পোক্লফম ইমাগী ইরৈচা খুদিংমকপু অইবীনা খুরুমজরি। ●

# নঙনা করি হেল্লদনা



- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -

শাওবদা শক থীজিল্লি হায়রগসু শাওদনবা হোৎনবদি হেক্তা কাউথোকখি। শাওরগা শক থীজিল্লি হায়বসি শাওবা ফরক্লগা নীংশিংলকপনি। শাওবসি শকখক্তা থীজিনবা নত্তনা শীংলি মচা-মচাসু য়াম্না তৎলি হায়নৈ। শাওগনবা মীসি ৱাখল ময়েং খরা তাবা মীনি হায়বসিসু শাওরিঙৈদা নোংমতা নীংশিংবা ঙমদে। শাওগনবা মীদি অপঙবা মীনিনে হায়দুনা ঐবু শীংনবা হেক-হেক হায়বীবা অৱাং লৈকিন্থবীগী মাম্মা য়াইমসু য়াম্না শাওগল্লি। শাওরবসু মাম্মদুদি মশক থীজিন্দে। মশক থীজিন্দবনিনা শীংলিসু অমত্তা তত্তবা মাল্লি। য়াম্না শাংনা মশা কন্না পূন্সিখি। অদুবু শাওগনবগী চাংদি মাগা শাওনদবা মী অমত্তা লৈতে হায়বদুমক য়ৌনা শাওগল্লি। শাওনরবসু মাগা য়েক্লবা মীদি অমত্তা লৈখিদে। ইমুংগী অঙাং নুংশিৎ চঙদুনা চোইরোন-পারোল লোনবগী অনাবদু ফাথবীনবা মশানা চৎতুনা কৌরুবা ঐজ্ঞা বাপুনা শোনবা মন্ত্রদু ৱাহে অমা চিখৈ হায়রুবদৈ ঐজ্ঞাগা মাম্মগসু শাওনরকই। ঐজ্ঞা বাপুনা শাওরম্লগা হনখিবদু মাম্মা য়াইমনা ময়া ইখি খিগৎলগা - মানা শাওদুনা চৎখ্রিবসি মানা শাওবদুদা চিখৈ হায়বদো খঙদদুনা তৌরিবনি হায়রগা চাকখুমদা চাক চাবা চঙখি। অদুনা মাম্মা য়াইমগী খুশাওসিদা শকসু থিজিন্দে, শীংলিসু তত্তে। শাওগনবগীদি অয়ূক ঙন্তাদা লৌবুক্তা লূ কাইরুনি হায়দুনা চৎখিবদুনা নুমিৎ মাঙ্গোল কুম্লগা হল্লকই। করি তৌবগী থেঙনা কারক্লিবনো হায়দুনা হংলুবদা শাওরপ্না খুল্লকই - লূ হুরানবা য়াম লৈরে লৈকায়সি। ঐগী লূদুসু লৈরমদ্রে। ঙরাংসু মখাথংবগী লূ অনী মাঙখি হায়বনি। শাওনীংমনখিদুনা খুন্দোনগী মাইবী কামিনিদা মাইবীশেল হুল্লুবনি। কনা-কনানো লোইনা খঙলেদনা হায়রগা নুংঙাইনা অদুম লৈ। শাওবসিসু নোক্লগা অদুম শাওবা য়াই হায়বসি মাম্মা য়াইমদগী খঙবনি।



পোইনুগী লৌ লোক্লবা মতমদা নোংমা লৌয়েফক্কী হেক মথক্তা মাম্মা য়াইমনা মাগী মচানুপা অহল ইবোহলগা মুক্লা শান্নখি। নুমিৎতু লৌ য়ৈনা-য়ৈনা মুক্লাগী ৱারী সুম শানবনি। হৈক্রুজম মৈনো হায়বা মুক্লাদা অফাওবদু ঐখোয়গী মরী মতানি হায়বা ৱারীদগী হৌখিবদুনা চেপচিং হায়বদুদি ঐনা হৈনখ্রবা লৌনি হায়বা মতাংদু য়ৌরকপদা মচানুপা ইবোহলনা নোক্লুবদৈ ফি শেম্নরকপনি। মখূৎতা পায়নরম্বা চৈরোং থাদোক্লে। কোকশেৎনা খ্বাঙদা শৎ কিরগা নামৈ য়েপ্তুনা চঙশিন্নখি। নোকফেৎ-নোকফেৎ তৌরগা লৌয়েফক মথক্তুদা কোন্নরকপনি। মাম্মা য়াইমসু মীওইদি অদুম ফবা মীনি। অদুবু ইবোহলনা নহানিনা শৎ-শাদা থোক হেক মুকখিদুনা মাম্মা য়াইমদু তুবগা চপ মান্নরে। অদুদা মাম্মা য়াইমনা হায়রকপসি - ঐগী হৌজিক্কীদু খিত্তং শোয়খিবনি। ঐখোয় ময়াম পূন্না নোকমিন্নে। অসিগুম্বা মাম্মা য়াইমনা শাওবদা শীংলি মচাদি লায়রদনা মশীং অমফাওবা তৎলম্লোই।

শাওবদা থীজিল্লি হায়বসি শাওরিঙৈদা কাউবনিনা ঐখোয় অদুম শাওনৈ। পাউখুম পীনীংঙাই মরাং কায়দবা মতাংদসু শাওনৈ, শাওনীংই। মীনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম ঐঙোন্দা য়াওদবগীসু শাওনীংই। মীনা হায়রকপদা খুম্বা হৈত্রগা শাওবসিসু লৈ তৎপা মীনা শাওবগুম্বনি। পাউখুম হায়বা খুদিংমকসি কোক্তগী লাক্লগা চীনদা থোরকপনিনা কোক্তা য়াওদবা পাউখুম চীন্দগী থোরক্তে। মাগী-মাগী কোক মনুংদা অঙৈংবা য়াওরে মচীন্দা অঙৈংবা থোকই। অশাবা য়াওরে মচীন্দা অশাবা থোকই। অশাওবা য়াওরম্বদগী শাওনদুনা ঐখোয় খৎনৈ। নঙনা ঐঙোন্দগী করি হেন্দুনা হায়বসি কোক মনুংদা লোন্না য়াওরম্বদগী চীন্দা মখোল ওইনা থোক্তুনা কন্না খৎনখিবদগী কৌনখিদবা হায়বদু ওইনখি। ঐগসু হৌজিক ফাওবা কৌনখিদ্রবা ইমান্নবা লৈ। মতমদু মাগা ঐগা চপ মান্নবা শিংই হায়বসি হৌজিক ইশানা য়াজরে। হৌজিক্তি মালেম পৃথিবীসিসু চাওখৎপদা খম থেংলে হায়নরে। ইন্দিয়াসু শেল-থুমগী ফীভম য়াম্না ফগৎলে হায়নরে। ইরমদম মণিপুরসু ঐখোয়গী লৈঙাক মপুশিং অমদি ঐখোয়গী অচৌবা ওফিসরশিংনা মায়কৈ খুদিংমক্তা চাওখৎনবা কন্না হোৎনরি। পোৎকী মমলসু লমজেল চেল্লি। ঐখোয় ময়াম্না চানবা চেঙ পুশিল্লকপা গাড়ীশিং লন্বীদা হেক-হেক থিংলগা চাওখৎনবা হোৎনরি। চীংগী মীশিংসু য়াম্না শাওরি। তমদসু শাওদবা মী থিবদা ৱারে। অমনা অমবু শাওনরি। অনীমক্লা লৈঙাকপু শাওরি। থনানা গাড়ী চ্যেক তৌরি। মন্ত্রিশিং ৱাজাও ঙাঙলি। ঈং-তপ্না ইরমদম অমা ওইনবা ঐখোয় শিংবা তান্নরি। লোইনমক শিংবা মান্নরি। ●

# স্বিদেনদগী হল্লকপা মাষ্টর এঠলিট মঙা ওক্লুবা - ৩

- ইবোতোন চিংথাম -

মমৈদা ত্রেন লাক্তুনা মাগী-মাগী বোগীদা কাখৎনখিরম্মী। লংফৈ চৎপগী অৱাবা অমদি নুংঙাইবগী মহাও অদুম লৈ। ত্রেন মনুংদসু ময়াম লাঙদুনা অদুম চৎলি, অমগা-অমগা ৱারীসু শানৈ হেক তূমদ্রি ফাওবা। ইনে মাঙ্গোলনা হেক হেক হায়বা অমা লৈ - "মতমদু য়ৌরগা হেক্তা চৎনীংলকই, অদুবু মথং চহীদদি চৎপা ঙমখিদ্রা খঙদে! "ঐখোয়নবু হায়" করিগী ঙমদনি হেক চৎলগা লোইরেদনা।" ইনেহোয়দি অসুম্না নেশনলগী শান্নবা চৎপা অসি কুইরে হায়। অদুবু ঐগী ওইনদি চহী ১০ মুক্তা ঙাইরি। মরমদি ঐদি হান্না শান্নবা হৈরকপা মীসু নত্তে। চুম্না হকচাং শাজেল তৌবা ওইনা খুমন লম্পাক্তা চৎপদগী মাষ্টর এঠলেটিক এসোসিএশন অসি থেংনরকখিবনি। অহানবদদি ঐ লমজেলগী আইটেমশিংদা ওইনা শান্নরম্মী। ইহান হান্না বেঙ্গলোরদা কুমজা ২০১৩দা নেসনল চেম্পিয়নশিপ শান্নবা হৌখি। অদুবু লমজেল য়াঙবা ৱাৎপনিনা ৬/৭শুবদা হেক তাহৌই। অসুম্না তল্লি-তল্লি তৌরিঙৈদা নোংমা থ্রোগী ইয়াম্বা ওজা অমা থেংনরম্মী। মহাক্কী পক্লিং চিংশিন্নীংঙাই ওইরবা হেম্মর, দিস্কস, জেভেলিন্নচিংবা লংবগী ৱারীদগী ঐসু থ্রোগী আইটেমশিংদা ওন্থরগে লেপখি। অহানবা হেম্মর লংবা তম্বদা লেপ্তুগী হেন্না ৱাংবা নাপী-শিংনাং মরক্তা তাশিনখিদুনা নুমিৎ হুম্নি-মরিনি ফাওবা থিবা ফংদবা য়াওখি। অদুগা দিস্কস অমসু থিবা ফংদনা লৈবদগী নুংথিলদা শান্নবা অঙাংশিংনা থেংনদুনা কোন্না ফংবা য়াওখি। কনাগুম্বগীদি দিস্কস কয়ানি মাঙখ্রিবা। মশান্নশিং অসি হান্না শান্নরকপা নত্তবনিনা হেক্তা হৈয়ু য়াদে। অদুবু য়াওশিল্লুরবনিনা অদুম শান্নবা তাখি। অসুম্না ২০১৭তা হায়দরবাদতা শান্নবদদি ঐগী আইটেমশিং অদু থ্রোদা লোইনা ওল্লে, হায়বদি হেম্মর থ্রো, দিস্কস থ্রো অমদি শোট-পৎ থ্রোদনি। অসুম্না ঙসি ফাওবা লংবগী আইটেমশিং অসিদা অদুম শান্নদুনা লাক্লি।

নুমিদাংগী চাক ঈশিং চানবা মতম য়ৌশিল্লক্তুনা ঐখোয় ময়াম ত্রেন মনুংদা চাক চাথোক্লরম্মী। অদুগা ৱারী-ৱাতাই ঙাইহাক শানরবা মতুংদা মাগী-মাগী মফমদা তূমথনখি। অসুম্না অহিং হৌখিবা খঙহৌদে। মথংগী নুমিৎতুমসু ত্রেন মনুংদা অদুম লেনবা তাখি। ময়াম ৱারী-ৱাতায় খরা শানা-খরা লাঙ তৌদুনা মতম লেনখিরম্মী। মসিনা ঐখোয় মশেল নুংশিনবা হেলহল্লি, লোয়ননা থম্মোয়গী ওইবা মরীসু নকশিন্নহল্লি।

নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা মখোয় নুপীশিংনা ফোলা তোৎলি হায়দুনা ঐখোয় ময়াম য়োমশিন্দুনা চামিন্নখি। মসিসু নুংঙাইবগী মথেল অমনি হায়রোইদ্রনে! হয়েংদি য়ূম য়ৌরনি হায়বা ৱাখলগা লোয়ননা ৱারী শান-শানদুনা মতম লেনখিরম্মী। নুমিদাংগী চাক-ঈশিং চানরবদা মহে-মহে মাগী-মাগী মফমদা পোথানখিরম্মী। অসুম্না অরোইবা অহিং অদু ত্রেন মনুংদা হৌখিরম্মী। নোং ঙাল্লে, মথংগী অয়ূক ওইরে। মতাং অদুদনি ঐখোয়না ত্রেনগী খোঙজেল অদু খরা য়াঙখৎহন্নীংলিবসে। মরমদি ঐখোয় ইম্ফালগী ফ্লাইট ফাবা নংহৌদবা য়াদে। লাইবক ফবদগী খরা থেংলবসু খোঙলৌ পল্লৌদনা হাওরাদা থুংলম্মী।

ত্রেন্দগী হেক কুমথবগা টেক্সি তোংদুনা কোলকটা এয়রপোর্ট তম্না চৎলম্মী। মফম অদু য়ৌরবদা পূক্লিংসে নে হেক তারম্মী। ঙাইহাক পোখারবা মতুংদা চেকিংগীদমক সিক্যুরিটি পোইন্টতা চঙলম্মী। চেক লোইরবা মতুংদা প্লেনদা কাখৎতুনা মাগী-মাগী সিটতা ফম্নরম্মী। ঙাইহাক লৈরগা থোঙনাওদা য়েংথোক্লুবদদি ঐখোয়না পাইরিবদো লৈচিল মথক্তা ওইনা উই। করিগুম্বা মতমদসু লৈচিল ফাওদৎতুনা পাইবা য়াওই। অয়াম্বা মতমদা অতিয়াদা লৈচিল অদুম লৈ। উচেক্লা অতিয়াদা পাইবদদি মশা খপ্তুনা পাই অদুগা এরোপ্লেননা পাইবদদি মশা চপ তিংনা লৈ। মসিসু অঙকপা অমনি।

জহাজনা ঈশিংদা হোল্লি অদুবু এরোপ্লেননসু নুংশিত্তা হোল্লি হায়গদ্রা? ফনা শাংনা পাইরবা মতুংদা মখাদা চীং লৈবা উরে। অদুম খঙলে মণিপুর য়ৌরে হায়বা। মীকূপ খরগী মতুংদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা লেন্দিং তৌখিরম্মী। মতম অদো নুংথিলগী পুং ৩গা মিনট ৪৫ রোম তারে। পোৎ-চৈ লৌথনরবা মতুংদদি মহে-মহে ঙাইনরুবা তৌদনা ময়ূম-ময়ূম পানখিরম্মী। অসুম্না পুনেগী খোঙচৎ অদু লোইশিনখি।

ওকপগী থৌরম : মার্চ ১০, নোংমাইজিং নুমিৎনি। পুনেদা শান্নবা চৎলুবগী ওকপগী থৌরম পাঙথোক্লি। মতমদি অয়ূক পুং ৯দগীনি, মফম্না থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দা লৈবা ইমা শৌবাম লাইরেম্বীগী শঙলেন্দনি। চহী খুদিংগী নেশনল শান্নবা চৎলুরগা হল্লকপদা ওকপগী থৌরম চাকলেন অমগা লোয়ননা হেক-হেক পাঙথোক্লে। মসিনি নুংঙাইরিবসে, কাউবসু ঙমদে।

নুমিৎ অদুদা শান্নরোয়শিংনা ফংলকপা মেদলশিং লাউথোকই (হান্নদি য়েন্থোকই)। অদুগা শান্নবা চৎলুবগী অৱা-নুংঙাইসু পাউদম্নে। মদু লোইরবা মতুংদা হাওরবা চাকলেন অমা ময়াম পূন্না চামিন্নে। অসুম্না শান্নরোয় ময়ামদো হরাও-তয়াম্না পুনবগী তাঞ্জা অমসু ফংই। পূক্লিংগী নুংঙাইবা অমদি পোত্থাবা হায়বসিসু ঐখোয় মীওইবদা অদুমক মথৌ তাই। ওকপগী থৌরম অদু নীংথিনা পাঙথোকখি হায়বা তাই। করিগুম্বদা শোয়খি-লানখিবা য়াওনবা থোক্লবসু forgive and forget হায়বা লাইৱা অসি তুংইনমিন্নরসি। ঐখোয় পূম্নমক লমদম অসিগী মচা ঙাক্তনি, অপূনবনা পাঙ্গলনি, থকসি-খাসি অমদি নুংশিনবনা লিপুন ওইরিবনি। ওইহল্লসি মশক থোকপা মণিপুর অমা।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০১

১) **"অশাংবা ৱারী অসি ১৯৮৯দা ইখিবনি। খোৎনীংবগী মিহুল অমদগী পঙখোৎ খোৎখিবা হায়বদুনি পঙফ ফগদবা মান্দে।"** ৱাহৈ পরেং অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী মমিং লৈরবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা ইবনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) **"অতোপ্পা লাষ্ট বস অমা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমদি অইবগী মমিং হায়য়ু।

৩) **"লান্মী অহুম"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটর অমসুং লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৪) **"তৎখ্রবা লংলা"** হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো?

৫) **'হেলোয়গী ৱাশক"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫,ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।